# ফিল্ম অমদা মীয়ামগা নক্লনা পাউ ফাওননবগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসি সিনেমাতোগ্রাফরনি

একেন সিজগুরুময়ুম





ফিল্ম অমদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসি ফিল্ম অদুগী দিরেক্টরনি। ফিল্মগী ওইনা দিরেক্টর অদুনা ষ্টোরি রাইটর অদুনা পীরক্লিবা ৱারি পরিং অমদি স্ক্রন প্লে রাইটরনা শেমদোক্লবা কয়া অদু ফিল্ম ওইনা উৎথোক্লবা হোৎনবদা চাওনা থৌদাং লৌরিবা অসি ফিল্ম অদুদা সিনেমাতোগ্রাফর ওইরিবা মীওই অদুননি।

সিনেমাতোগ্রাফরনা দিরেক্টরনা কমান্দ তৌদুনা পুরিবা ৱারি পরিং অদুদা য়াওরিবা এক্টরশিংনা উৎলিবা অমদি হায়নিংলিবা কয়া অদুবু নীংথিনা মীয়ামদা ফোঙদোক্তুনা ফিল্মগা হেন্না নকশিন্নহল্লি। ফিল্ম অমা ওইগেরা, অমা ওইগেরা সিনেমাতোগ্রাফর নত্রগা কেমেরামেন অদুনা লৌরিবা থৌদাং অদুদি য়াম্না চাওই। মহাক্না লৌরিবা থৌদাং অদু করম্বা মওংদা করম হায়না থাগৎকনি হায়বগী চৎনবী মচৎ কয়া অমসু লৈ। মসি নত্তনা ফিল্ম অমা য়েংলগা ফিল্ম অদুগী ৱারি হৌবদগী লোয়বা ফাওবা লিরগা লোয়শিল্লকপদা হায়রমদবা য়াদবগী মতাগুম্না কেমেরা ৱার্ক য়াম্না নীংথিজে হায়বা কয়া অসি লমদম অসিদা ফোঙলিবা পাউচেশিংদা কলমলিষ্ট ওইনা লৈরিবশিংনা তোয়না শিজিন্নবা ৱাহৈ অমনি।

মতাং অসিদা ঐগী মত ওইনা থমজনিংবদি কেমেরা ফজৈ হায়রিবা অদু ফিল্ম অদুবু নম্বদা শিজিন্নরিবা কেমেরারা, নত্রগা কেমেরামেন অদুনা শিজিন্নরিবা মেমেরাগী ওইবা ফোর্ম কয়া অদুরা হায়বদু ময়েক শেংনা মখোয় মখোয়না ইরিবা কলম অদুদা নীংথিনা মমি তাবা ঙমদে। কেমেরা ৱাক ফজৈ হায়বা কাংবু অমসু লৈতবা নত্তে। ঐহাক্না য়াম্না খঙই হায়দনা মীয়ামদা অমদি ফিল্মগী মরমদা ইরিবশিংবু থওইনা করেম্নদুনা হায়বদি নত্তে অদুবু ফিল্ম অমদা কেমেরামেননা নত্রগা সিনেমাতোগ্রাফরনা লৌরিবা থৌদাং অমদি মখোয়না শিজিন্নরিবা সোট ফোর্মশিং অদু নীংথিনা মমুৎ তানা খঙবিরগা কেমেরামেন নত্রগা সিনেমাতোগ্রাফরগী ওইবা থাগৎপা ৱাফম খরা ফোঙদোকপদা করিসু কায়বা লৈতব্রা হায়বসি ইজরিবা ইশাগী অপান্বনি।

ফিল্ম অমা হেক হৌবদগী লোয়বা ফাওবদা কেমেরামেনশিংনা কেরেক্টরশিংবু মীয়ামগা নকশিন্নহন্নবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা মখলগী সোট কয়া কেপচর তৌদুনা সুট্টিং তৌই। মখোয়না সুট্টিং তৌরিবা কয়া অদু সুট্টিংগী শরুক লোয়রবা মতুংদা লেবোরেটরিদা পুরক্লগা ইডিটরনা নীংথিনা ইডিট তৌরবা মতুংদা দিরেক্টরনা ইডিটরগা পুন্না ফম্মীন্নদুনা মহাক্না দিরেক্সন পীরিবা ফিল্ম অদুগী ষ্টোরি রাইটর অদুনা পাল্লিবা কয়া অদু কেমেরামেন নত্রগা সিনেমাতোগ্রাফরনা নীংথিনা সোট লৌখিব্রা অমদি ইডিটরনা নীংথিনা ইডিট তৌরব্রা হায়বা অদু খঙলবা মতুংদা মীয়ামদা ফিল্ম ওইনা খুদোল তল্লকপনি।

মীয়ামদা খুদোল তল্লক্লিবা ফিল্ম অদুবু য়েংলবা মতুংদা ঐগুম্বা অইবা কয়ানা ফিল্মগী মরমদা ৱাংহৌবা অমদি হাপচিন্নিংবা কয়া অদু মীয়ামদা খঙহন্নবা পাউ চেগী মতেং লৌদুনা ইনরি। ফিল্ম অমদা মীয়ামগা এক্টরশিংনা অমদি ৱারিগী পরিংগা নকশিন্ননবা হোৎনবদা কেমেরামেননা অচৌবা থৌদাং লৌই হায়বা অসিদি লাল্লরোই। মসিদি মালেম অসিদা লৈরিবা ফিল্মবু এপ্রিসিয়েট তৌরিবা মীওই খুদিংমক্না য়ান্নরবা ৱাফমনি। লমদম অসিগী ওইনদি ফিল্মগী দিরেক্টরগী কমান্দ অমদি সাউন্দগী, লাইটকী, ইডিটরগী অমদি ইশৈগী মরমদা হায়রগা হায়দ্রবদি নুংঙাইররোই খনবা মওংদা কেমেরা য়াম্না নীংথিজৈ, ফজৈ হায়বা অসিনি।

কেমেরা ফজৈ হায়বা অসি ঐগী ওইনদি থোইদোক্না শিজিন্নদে। কেমেরামেন অদুনা শিজিন্নরিবা মহাক্কী সোট ফোর্ম কয়া অদু শিজিন্নবগী তঙাইফদবা অমদি লৈগনি। মদুদা মহাক্না উৎলিবা সিন অদুগা ৱারিগা চুশিন্নদবা কয়া অমসু থেংনবা য়াই। মসিদা মখোয়না পীনিংলিবা অদু ৱাংহৌরে হায়বা ৱাফম কয়া অমসু ঐখোয়না হায়বদা সিনেমাতোগ্রাফরশিং অদুনা পেনগনি। কেমেরামেনশিংবু থাগৎপদা কেমেরাগী লেঙ্গোইশিং অসি শিজিন্নবা তাই। মখোয়না লৌরিবা সোট অদু করম্বা মখলগী সোটনো, মখোয়না শিজিন্নরিবা সোট অদুগা ফিল্ম অদুগী ৱারি পরিং অদুনা চুশিন্নরিব্রা হায়বা অদুসু য়েংবা চুমগনি। কেমেরামেনগী ৱার্ক অসি কেমেরাগী লেঙ্গোইজকী মতুং ইন্না শিজিন্নবা য়াই। মখোয়গী লেঙ্গোইজকী মতুং ইন্না ফিল্ম অদুদা কেমেরামেনশিংনা মখল মখলগী টেক্নিক কয়া শিজিন্নৈ। শিজিন্নরিবা টেক্নিকশিং অদুগী মনুংদা হৌজিক মীয়াম্না হেন্না খঙনরিবা অসিদি লোঙ সোট, মিদ নত্তনা কেমেরা ফজৈ হায়রিবা অসি ফিল্ম অদুবু নল্লিবা ‘মীনোলতা, সোনি, এরিফ্লেক্স’ নত্রগা হৌজিক্কী দিজিটেলগী মতম অসিদা সোনি কম্পেনিনা শাবা তোঙান তোঙানবা মখলগী কেমেরাশিং অসিবু ফজরিব্রা হায়বা অসি খনবদা অৱাবা অমদি মায়োক্নে।

ফজরিবা কেমেরা ৱার্ক অদু মিদ সোটতরা, ক্লোস অপতরা নত্রগা লোঙ সোটতরা হায়বা কয়া অদু নীংথিনা ফোঙদোকপা ঙমদনা কেমেরা ৱার্ক নীংথিজৈ ফজৈ হায়বা ৱাহৈ অসিনা ফিল্ম অদুদা মীয়ামগা এক্টরশিংগা নক্লনবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কেমেরামেনশিং থাগৎপগী মথাগৎ অসি ইশাগী ওইনা খজিক্তং পেন্দবদগী ৱাফমশিং অসি থমজবনি। মসিদা সোট, ক্লোজ অপ অমদি জুম ইন, জুম আউট হায়বা খরা অসিতনি। মসি নত্তবা কয়া অমসু সিনেমাতোগ্রাফরশিংনা ফিল্মদা শিজিন্নবা অদুমক থেংনগনি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা সোলজর সোট, কট এৱে, মেস কট, পেন্নিং, টেল্লিং এণ্ড ট্রেকিং তু ফোলোজ, এক্ট অমা কোভর তৌনবা ক্রেননচিংবা কয়া শিজিন্নদুনা মতুং ইন্নবা হায়বা ফোর্ম কয়া অসি শিজিন্নরগা কেমেরামেনশিংবু থাগৎপীবদা থোইদোক্না কাইদবা য়াই। মসি লান্না লৌখিদুনা মহাক্না কয়াম্না হেন্না হৈরদনা হায়বা ৱাফম অদু তুংদা লাকপিদনবা ৱাফমসু থমজরি। ঐঙোন্দগী হেন্না হৈরবা খঙলবা কয়া অমসুং ফিল্ম থাগৎপগী লেমজনিংঙাই ওইবা এৱার্দ কয়া ফংলবা মীওই কয়ানা ইরকপা অদুদা কেমেরা লেঙ্গোইজগী মরম অসি কয়া থেংনবা উদবদগী ৱাংহৌরিবা কয়া অদু মেনখৎমিন্নসি হায়বগী পান্দমদা কলম অসি থমজবনি।

অমরোমদা কলম অসি থমজবগী মরুওইবা অমনা ফিল্ম অদুদা সিনেমাতোগ্রাফর নত্রগা কেমেরামেন ওইনা ৱার্ক তৌখিবা মীওই কয়াগা হকথেংননা থেংনবদা মখোয়না ফোঙদোক্লকপা ৱাফমশিং অদুনা মরম ওইরগা কলম অসি ইখিবনি। মসিদা কনাগুম্বা অমত্তদা হন্থনা য়েংলগা ঐনা হেন্না হৈরে হায়না তাকচবসু নৎচদে।





Millennium Institute of Sciences
*Presents for the first time*
MILLENNIUM SCHOOL
From 2014-15 Academic Session opening
**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**
From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
**Special features :** AC room for daycare
- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

SL/29/19/B

*Form available from 7th November 2013*
@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.




Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal, Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*